ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ফেব্রুৱারী ০৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩০৮শুবা মশীং

# ক্রিমিনেল লো রিফোর্ম

## মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না ক্রিমিনেলশিং চৈরাক ফংহনবদা মতেং ওইগনি

দিমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াদা মশাগী ওইবা লো চপ চানা লৈজে। ইন্দিয়ন খূদিংমক লো অসিনা পুন্দুনা লৈবগুম্বনি। কনাগুম্বা অমনা লোগী ৱাংমদা মশাগী অনীংবা অপাম্বা চথরুবদা শুংশোয় শোয়দনা চৈরাক ফংগনি। থুবা তপ্পনা ৱাফম অমা ওইরগা লোনা অরানবা তৌবশিংবু কৈদৌনুংদা ঙাকপীরোই। লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীপুম খূদিংমক্লসু ইন্দিয়ন লোবু খম থেংনা ঈকায় খুম্নরিবনি। অদুবু মতিক ময়াই লৈখ্রবা ইন্দিয়াগী ওইবা লো অসি থেঞ্জাং মশীং খঙদনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা করেম্নবগুম-ফাগি তাহনবসু তত্তনা তানরক্লি, থেংনরক্লি । মসিগীসু মথক্তা লোবু শীংনরক্লিবসি অফবা, চাওখৎপগী মওং অমদি নৎত্রে। লোগী লম্‌সিদা, পাক চাউখ্রবা ইন্দিয়া তংদু লৈতারক্তবা চহী মশীং য়াম্লে। মসিগী মরম চাউনা লৈফম থোকই, মরমদু থীদোক্তুনা কদায়দা করি অহোবা লৈরি খঙদোক্লগা হেন্না ফবা অনৌবা লো কয়া হাপচিনবা তঙাইফদ্রে। অতোপ্পা লৈবাক কয়াগীসু মশা-মশাগী ওইবা অকক্লবা লো লৈনরিবনি। চাওখৎপা হানখ্রবা লৈবাক কয়াগী ওইবা লোশিংগী মখাদা মীপুম খূদিংবু ঙাকপী শেনবীরি হায়বসিসু অচুম্বমক্লি। অফবা লৈবনিনা ফত্তবশিংসু লৈফম থোকই, ফত্তবশিংদু মাগী মাগী লৈবাক্কী লোনা ৱারক্লরি। হেন্না শাথীবা লো লৈবা লৈবাক কয়াসু লৈরি। মুস্লিমনা তাবা লৈবাকশিংদা অকনবা লো অমদি অহকপা লো চৎনরি। নোর্থ কোরিয়াগী ওইনা য়াম্না তমথীবা লো অখঙবশিংনা ঙক্লবগা লোয়ননা অকি তুজুংনরি। পুম্নমকসি ওইদুনসু ফত্তবা তৌবশিংনদি লোবু মতম পুম্বদা শীংনরিবনি। চৈরাক্কী চৈথেং নাচুংদ্রিবনি, ৱাথোক লাম্থোক থোক্লরিবনি।

তঙাইফদনা হান্নগী লো রিফোর্ম তৌদবা য়ারক্তবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু অখন্নবা লো খরা রিফোর্ম তৌননবা হোৎনরক্লি। ক্রিমিনেল লো শেমদোক্নবা কম্মিটি শেমখ্রে। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং, য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং, সুপ্রীম কোর্ট, বার কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়া, বার কাউন্সীল ওফ ষ্টেট লোয়ননা তোঙানবা লো ইনষ্টিট্যুসন অমদি য়ুনিভর্সিটিশিংদগী ক্রিমিনেল লো রিফোর্মগা মরী লৈনবা সজেসনশিং পীরক্লবা খঙহনখিবসিমক য়াম্না চুম্বা খোঙথাংনি হায়বা য়াই। ইন্দিয়াদা থোক্লিবা ক্রাইমশিং হন্থহন্নবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিষন রেদ্দিনা ষ্টেট-ষ্টেটকী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা অকনবা পাউতাক পীখ্রে হায়বসিসু পূক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইরি। ক্রিমিনেল লো নত্তবা অতোপ্পা লো কয়াসু রিফোর্ম তৌনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা কয়া লাক্লবনি। ফোং-ফোং শানা ষ্টেট অসিদসু লোগী মতুংইন্না ৱায়েল চথবদা মীয়াম্না পেন্দবগী খোল্লাও লাক্লবা হৌখ্রে। পুম্নমক লোগী মতুংইন্না অচুম্বা ৱায়েল পীখিবনি হায়বসিদি চুল্লমগনি। অদুবু কনাগুম্বা শকউদবা খরনা লোগী মথক্তা লৈখ্রবরা হংনরক্লিবসি পাউখুম পীনিংঙাই ওইদে। লোগী থোঙদদি অচুম্বদুমক পুথোকপনি। মরাল লৈরগনা চৈরাক, লৈরমদ্রগনা থাদোকখিবা মশানা তাবনি। পেন্নদবশিংনা খোয়রাং খোয়শাওনবনি। প্রমান য়াওদবা ৱাকৎ কোর্টনসু করিসু তৌবা ঙম্লোই। খ্বাইদগী তঙাইফদবদি চহী নৌরিবা অঙাং নুপীমচাদা অহল ওইবশিংনা থেল্লগা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবা, নৌরিবী নুপীশিংবু ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীরবা মতুং হাৎতোকপীবা থৌদোকশিংদা হকথেংননা চেন্নবশিংবু মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনবদা ক্রিমিনেল লো রিফোর্ম তৌবা অসিনা হেন্না মপাঙ্গল থোকহল্লগনি, মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না ক্রিমিনেলশিং চৈরাক ফংহনবদা মতেং ওইগনি।



## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇



### সেল্ফ এটেষ্টেদ সেল্ফ সর্টিফিকেসন

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মণিপুর লৈঙাক্না দিপার্টমেন্ট কয়াদা অহাঙবা ফমশিং মেনশিন্নবা রেগ্যুলর, কন্ত্রেক্ট, কেজুএল পোষ্টশিং লৌরকপা মতমদা ফোর্মগী মমল ওইনা জেনরেল, ও বি সীগী লুপা ৫০০ লৌরিবা অসি লৈত-লায়র ইমুংদদি লুপা ৫০০ অদু পুথোক্লবা হোৎনবদা অদুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্নে। ৱাচৎ-ৱানোমগী শেলসু পুথোকপা ঙমদবা, শঙ্গ-পঙ্গসু লৈতবা জেনরেল, ও বি সী ওইরুরবা লৈত-লায়র ইমুংদদি থবক্কী কার্দ থাবা, ফোর্ম লৌবা, লাইবক য়েংবদা শেলসু তিংবা, মতমসু মাঙবা, অরেম্বদা ওইদুনা লাক্লবনি। অমরোমদা ফোর্ম সবমিসনদা গেজেটেদ ওফিসরগী সিগনেচর য়াওগদবনি হায়রকপা ৱারোল থেংনবদা হুমাং কাংনরে। মরমদি শঙ্গ-পঙ্গ লৈতে, হায়জরুরবসু হরাওনা য়াবীনীংদে/পীনীংদে। খঙইগা-খঙদেগা, য়ানিগা-য়ারোইগা ইকায়দুনা অদুম তোকপসু কোঙ্গাইনি।

মতম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সেল্ফ এটেষ্টেদ এন্দ সেল্ফ সর্টিফিকেসন ২০১৬ চৎনরগনি হায়না লাউথোকখিবা, মণিপুরদসু কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী ২৮দগী চৎনবা হৌগনি হায়রম্লগা ঙসি ফাওবা চৎনদনা থম্লক্লিবা অসি লৈঙাক্না করিদা অশোয়বা লৈদুনা চৎনহন্দ্রিবনো। গ্রেদ ফোরগুম্বা পোষ্টশিং ইন্টরভিয়ু মায়োক্লদনা খনগনি হায়বা ফজরবা ৱাফম লৈঙাক্না ঙাকপা ঙম্লিবরা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি, পুম্নমক... অদু-অদাদা লৈখ্রে। অমরোমদা য়ুনিয়ন কেবিনেট দেল্লিনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না গ্রুপ বি, সী পোষ্টশিংগী ওইনা নেসনল রিক্রুটমেন্ট এজেন্সি (এন আর এ) গী মখাদা কম্মন ইলিজিবিলিটি টেষ্টকী মার্কতা য়ুম্ফম ওইরগা খনগনি হায়খিবা অদু মণিপুর লৈঙাক্লসু অদুগুম্বা পুকচেল শেংনা অমুক্তং হোৎনবীরবদি লৈঙাকপু হায়নীংঙাই লৈতনা মীয়াম্না থাগৎনগনি। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো মহৈ মশীন তম্লিবা মহৈরোয়শিং, থবক থিরিবা মীওইশিংদা হেন্না অরাইবা মওংগী থৌশিল থৌরাং কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামগীদমক্তা লৈঙাক্না হোৎনবীবা চঙই।

*অদোমগী - য়ুমখাইবম ইনাওচা লুৱাং*
*টৌপ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?

(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা 'উশিন' হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

(৩) 'ত্যাগপত্র' হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্নো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

(৪) শক্লাইরবা কলাকার অমনা 'শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং' হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?

(৫) 'শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াঙদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/হংচে কোল্লো।' শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পাৎ মাঙশিল্লকপা - মীয়ামদগী লৈঙাক্লা হেন্না ৱাখল তাদে

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

পাৎতগী কান্নবদি হেক্তা লৌবা অদুগা পাৎপু মাঙহন-তাকহনবদি মীওইবনা হেক্তা তৌই। মসিনা মীওইবা ঐখোয়দা পীরিবা কান্নবসিগা হায়রুরবদি পাৎ হায়বসি য়াম্না লুনা তৌফম থোকপনি। পাৎকী মপান্দা য়ূম-কৈ শাজিন্দুনা হেক্তা খুন্দাশিল্লি। মীওই অমা হেক লৈবা হৌখিবদগীদি মথং-মথং অমসু-অমসু হেক্তা য়ূম শাদুনা লৈশিনখি। মী লৈরবা হায়বসিদদি লেত্রিন শাজিনগনি, পোৎ-চৈ কয়া থাজিল্লক্কনি। লৈবাক তেমথোক্তুনা মহৈ-মরোং কয়া থাবা হৌরক্কনি। ইঞ্জোল কোয়রক্কনি, লৌ উবা হৌরক্কনি। পাৎ অদুদা মচি অমা লৈবাক তৌদুনা লৈবাক থোঞ্জিন্দুনা পুখ্রি ওম্থোক্লগা ঙা য়োকপগী থবক তৌই। য়ূমদা য়োকপা শা-ষণ কয়া শঙ্গোল শাদুনা লোয়শিল্লি। মসিগুম্বা থবক কয়া অসি তৌশিনবসিনা পাৎকী শক্তমদা অকায়বা কয়া অমদি ফত্তবা মওংদা অহোংবা কয়া লাকই। ষন্থি-ষণয়ুং কয়া, লেত্রিনগী মহি-মচুম কয়া, ইমুংগী, চাকখুমগী অমোৎ-অকায় পাৎতা তিনশিনখি। মসিনা মরম ওইদুনা পাৎ থেনগৎলকই অমদি ঈশিং মোৎশিলহল্লকই। মসিনি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দা কান্নবা য়াম্না পীরিবা পাৎশিংদা ঐখোয়না মাঙহন-তাকহনবগী মওং অসি।

অতৈ লমদসু অদুম তৌরমগনি পাৎতা অমাঙ-অতা থোকহনবসি। অদুবু লমদম অসিদনা খরা হেন্না তৌরমগনি খল্লি। পাৎ মপান অমদি পাৎ মনুংদা মীওই কয়াদা পট্টা পীরিবা লম অমনি। পট্টা তাশিল্লগে হায়দুনা হোৎনরিবা মীওই অদুগী মচৎ অদুসু অঙকপা অমনি। মীওই অমনা মীওই অমদগী ইঞ্জোল নৎত্রগা লৌ লৈবা/য়োনবগী ৱাফম অদুগুম্বা অদুসু নত্তে। পাৎ হায়বসিদি থায়না মমাঙৈদগী মীওই অমত্তগী লম ওইদুনা লৈরমদে। মসিদি গভর্ণমেন্টকী লম ওইদুনা লৈরিবনি। শম্না হায়রবদা লৈবাক মীয়ামগী লম ওইদুনা লৈবনি। মীয়ামগী লম ওইদুনা লৈবা মফম অদুবু কান্নবা কয়া লৌবা মীওইশিংনা মশামক্কী লম ওইনিংলক্তুনা পট্টা তাশিন্নবা হোৎনরকপসিদি মীয়ামগী ওইনা, খুন্নাইগী ওইনা য়াম্না ফত্তবা থবক অমনি। মদুগুম্বা ফত্তবা মীওইশিং অদুনা পট্টা তানবা ৱাচৎ-ৱানোম তৌরকপদা লৌরুংশঙগী মীওইশিংনা মতেং পাংশিনবা অসিসু য়াম্না ফত্তবা লিচৎ অমনি। মখোয়না মতেং পাংশিন্দ্রবদি পট্টা তাবা ঙমগদবা নত্তে। ওইজ-ওইথক খরগীদমক তুংগী অফ-ফত্ত য়েংবা ঙমদ্রে অদুগা খন্থবসু ঙমদ্রে। পট্টা পীয়ু হায়রিবা মীওইশিং অদুদগীদি পট্টা পীবদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুনা হেন্নবু ফত্তবা থবক তৌরে। মখোয়দি গভর্ণমেন্টকী থবক তৌরিবনি। রুলনা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা থবক করি-করিনো হায়বদু লোইনা খঙলিবনি। মদু পূম্নমক খঙনা-খঙনা পাৎতা মীওই কয়াগী মমিংদা পট্টা পীথোক্লিবনি। করিগুম্বা লৌরুংশঙগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা পট্টা পীরমদ্রবদি পাৎতা মী তাশিন্দুনা ওইরক্লিবা ফত্তবা ফীভমশিং অসি খরা হন্থরম্বসু য়াই।

চহী খুদিংগী ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দ দে ফেব্রুৱারী ২দা পাৎ কন্নবগী থৌরম পাঙথোক্লি। থৌরম অসি পাঙথোক্তুনসু পাৎতা পট্টা পীশিনবগী থৌওং অসি থিংদ্রবদি করিদি কান্নগনি। পট্টা পীদ্রবসু মীওই কয়া হায়বদি পট্টা পায়দ্রবসু পাৎতা খুন্দাশিল্লি। মদু নত্তবা অতৈ থবক কয়া পাৎ মনুংদা তৌশিনবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। মদুবু থিংনবা হোৎনদ্রবদি পাৎ কন্নবা থৌরম চহী খুদিংগী পাঙথোকপগী থোইদোক্লা মহয় ফংগনি হায়বা থাজদে। শম্না হায়রবদা গভর্ণমেন্টসু অদুগা মীয়ামসু পাৎ ময়ামসি মীওইবা ঐখোয়দা কান্নবা পীদ্রবা লমহাং, লমলেম ওইনা খল্লবরা হায়বা ৱাফম অমা লাকই। পাৎকী ঈশিংসু শীজিন্নবা য়াদ্রবা, অচৌবা লম অমসু নাপি-শিংনা কান্নদবদা, শীজিন্নবা য়াদনা কনশিন্দুনা লৈরে হায়বগী মওংদা খন্নবা ৱাখল অমসু লৈনবা মাল্লি। শম্না হায়রবদা শীজিন্নবা য়াদ্রবা লম অচৌবা অমা তাদুনা লৈরবগী মওংনি। মীশিং য়ামখৎলকপদগী লৈফম লৈনরক্ত্রবা মতম অসিদা পাৎ অমনা কনশিন্দুনা থল্লিবা মফম অসি কয়াদা চাওখ্রবনো হায়না খল্লগা লম খোপচিনবা শোয়দনা ওইগনি। মীওই কয়া লৈবা য়ানবা পাৎতা খুন্দাশিনবা শোয়দনা ওইরমগনি। অমরোমদা পাৎতা খুন্দাশিনবা হায়বসি ইঞ্জোল অমা লৈবগী অদুগুম্না শেল য়াম্না তিংবসু নত্তে। শুপ্নতগী পাত্তা তাশিন্নবা হোৎনবদা অরানবা মওংদা শেল তিংখিবা অদুখক্তনি। গভর্ণমেন্টনসু লমদম অসিদা লৈরম্বা নৎত্রগা লৈরিবা পাৎশিং অসিবু মতম শাংনা শীজিন্নফম খঙদনা হুন্দোক্তুনা থম্বগী মওং অমসু উবা ফংই। পাৎকী মরু ওইবসি থোয়দোক্লা খঙদবগুম তৌরি। মদু খঙদবদুননি পাৎতা মীওই কয়াদা পট্টা পীশিল্লম্বসি। হন্না য়েংদ্রবা হায়বসি পোৎশক অদু মীরাইরে হায়বগা অন্মানি।

গভর্ণমেন্টতা তৌহন্নীংবসি লৌরুংশঙগী অরানবা তৌবা মীওইশিং চৈরাক পীহন্নীংই। পাৎতা লম খোপচিনবা, পাৎ মনুংদা তৌবা য়াদবা থবক কয়া তৌশিনবা মীওই কয়াবুসু মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নীংই। লো অমা লৈরি, মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবা, মীয়াম্না খঞ্জবা লৈঙাক অমা লৈরি হায়বদু উনবগী মতম থেংমল্লবনি হায়নীংই। পাৎশিংদা গভর্ণমেন্টনসু কান্নবা থবক পায়খৎলবদি মীয়ামসু লৈঙাক্কী থবক তৌরে লম খোপচিনবা য়াররোই হায়বা ৱাখল খল্লক্কদবনি। মদুসু নৎত্রে। মীয়ামসু অদুগা গভর্ণমেন্টসু অনীমক ৱাখল তাদ্রি। মরু ওইনা হৌখিবা গভর্ণমেন্টশিংনা হেন্নদুম ৱাখল তাবা ৱাৎলি মীয়ামদগী।

মমাঙগী গভর্ণমেন্টনা পাৎকী কান্নবা মশকশিং মুন্না খঙলম্বা ওইরম্লবদি পাৎতা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎনবা ঙা কয়া য়োক্লবগী থবক পায়খৎলমগদবনি। থবক কয়া তৌবা উরবদি পাৎপানগী মীয়ামসু পাৎতা লম খোপচিনবা, অতৈ মওং তাদবা থবক কয়া তৌবা ঙম্লমদবসু য়াই। করিগুম্বা লম খোপচিনবা তারবসু গভর্ণমেন্টকী ওফিসল কয়া ঙাগী মথৌ তৌদুনা লৈগদবনা পূম্নমক উবা ঙমগনি হায়বদি অথিংবা পীবদা মতেং য়াম্না ওইগনি। অমরোমদা লৌরুংশঙগী কাঙবুনসু পট্টা পীয়ু হায়বা মীয়াম অদুদা পট্টা পীবদা অৱাবা ওইগনি। অদুবু হৌখিবা গভর্ণমেন্টশিং (হৌজিক্কীসু য়াওনা) না পাৎতা কান্নবা থবক কয়া পায়খৎতনা অদুমক লাকপনা লৈঙাক মশাদগী খরা লাপথোক্লা, কাউথোক্লা লৈবগুম তৌখি/তৌরি। মদুনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা পাৎতগী ফংগদবা কান্নবা কয়া ফংদনা লাক্লি। কান্নবা ফংবগী মহুত্তা পাৎ মাঙননবগী, মূৎখিনবগী মরম অমসু ওইরক্লি। পাৎতগী মীয়াম্না কান্নবা খরা ফংলিবসিদি মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবিরিবা ঙাথোক, মনা-মশিংগী পোৎথোক খরা অদুখক্তনি। গভর্ণমেন্টনা শেমজিন-শাজিনগদবনা মীওইবনা হেন্না কান্নবা ফংবা য়াবা ঙাগী, মনা-মশিংগী পোৎথোক, মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্বা ঙমদবনা কান্নফম খঙদ্রবা পোৎশক অমখক ওইনা উরক্তুনা শেৎতনা-ফোয়দনা মুন্নদুনা, শায়েন-ঙায়েন্নবগুম পাৎতা লম খোপচিন্নরকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মীয়ামসু ৱাখল তাসি। গভর্ণমেন্টতা পাৎ শেমগৎনবা ৱাফম কয়া তকশিনসি। পাৎতি পাৎ ওইনা থমসি, ইশাগী লম ওইনবা খোপচিল্লোইসি। পাৎ হায়বসি মীওইবা, শা-ঙা, পাম্বী অমদি থৱায় পানবা কয়াগী থৱায়নি হায়বসি মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্ট অনীনা মুন্না খঙমিন্নদুনা অফবা থবক কয়া পায়খৎতবা য়াদে হায়বরোমদা পূন্না চঙশিনগদবনি। ●

# কোরোনা মনুংগী এগজামশিং মওং কমদৌগদৌরি?

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মহৌশানা, মহৌশাগা মান্নদবা থৌদৌশিং থোক্লকপদা, ইরমদমসিগী মীচম-মীয়াম্না হেক-হেক মীপাই-থবাইবগী ৱাখল্লোনশিং ফাওনৈ। হন্দকসু, মণিপুরগী মহৈরোয়শিং অয়াম্বা চহীসিমা মপূং ফানা স্কুল, কোলেজশিং মশক উরক্ত্রবগী তুংদা, হৌজিক্তা চহীগী ওইবা এগজামশিং পাঙথোক্কনি লাঙলক্লিবসি, লমদমসিগী মীয়ামদা অঙকপা খরদি শোয়দনা ফাওহল্লকপসু য়াই। পাস মার্কতা অমসুং সিলেবসনচিংবগী মতাংদা, মহৌশাগা মান্নদবা মওং কয়ামরুম অমা হন্দক্কী ওইনা পুথোক্লকপসু ময়ারি। অদুম ওইনমক, মরকসিদা ইন্টরনেটকী খূথাংদা মোবাইল ফোনদা স্কুল-কোলেজশিংগী ওজাশিংনা ওনলাইনদা ক্লাসশিং চথৈ হায়বগী পাউ অমদি তারি। থৌদৌসিমক্লা মপূং ফাবা ক্লাসশিং ওইনা পাঙথোকপা ঙম্লমগদ্রা নৎত্রগা ঙম্লম্লোইদ্রা হায়বদুদি তোঙানবা ৱাহং অমা ওইরনি। মোবাইল ফোন্দা, য়ূমদা য়াওবা ক্লাসশিংদবু ৱাখল তারম্বা হৌনব্রা হায়বা ৱাহংগী মথেল অমসু চোঙথোক্লক্লি। ৱাহংশিংগী মশীং য়াম্লি। ওনলাইন ক্লাসশিংনা অখন্নবা মহৈরোয় খরখক্কী মফমদা নিংথিজনা কান্নবা ফংহল্লম্বসু য়াই। তৌইগুম্বসুং, মহৈরোয় খুদিংমক্কী মফমদা মদুনা চাং মান্ননা কান্নবা ফংহল্লমগনি হায়বসিদি হায়মনবা থোক্কদ্রা খল্লি। পূম্নমকসি কোভিদ-১৯ মনুংদা লাউথোকখিবা লোকদাউনশিংদুগী মহয় ঙাক্তনি। হন্দক মণিপুরগী স্কুল, কোলেজশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল এগজামশিংগী রিজল্টশিংসিনা, লমদমসিগী মহৈরোয়শিংগী অশেংবা শক্তম অমদি শোয়দনা মীয়ামদা উহল্লক্কনি খল্লি। ৱারসু ৱানা ঐখোয় তাঞ্জাসিমত্তংদি ঙাইমিন্নসি। লোকদাউন মতুংগী এগজামশিংদা ইরমদমসিগী মহৈরোয়শিংনা মশানা শেংনা ফংজরকপা মার্কশিংদুনা, খুন্নাইসিগী তুংলমচৎকী অনৌবা খোঙচৎ অমা শেম্বদা অসুক্কী মতিক কান্নগদবা মচাকশিং ওইরকপসু য়াই।

হন্দক্কী চহীসিনা, কোরোনা লাইচৎনা চহী চূপ্পা মহৈশঙশিং থোঙ লোন্দুনা থম্লুরবা মতুংদা, মতম খরখক ইন্টরনেটকী খূথাংদা ওনলাইন্দা ক্লাস তৌরগা, মণিপুরগী অয়াম্বা মহৈরোয়শিংনা মশা-মশাগী ক্লাসশিংগী হৈফম থোকপা লাইরিকশিংদু মতিক চানা হৈরম্লনি হায়বসিদি লানগনি। হন্দক্কী চহীসিগী ওইনদি মহৈরোয়শিংনা ফাইনেল এগজাম মায়োক্লগদৌরিবসি শোয়দনমক্কী অৱাবগী মশক অমা ওইগদৌরিবনি। মহৈরোয় অয়াম্বনা মোবাইল ফোনদা, ইন্টরনেটকী খূথাংদা স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিংনা তাকপী-তম্বীবশিংদু তারগা, ৱাখল হেক্তা তারম্লনি খনবসিদি ওইথোক্লোই। তঙাইফদনা পন্নবগী ৱানি, য়ূমদা ইন্টরনেটতা ক্লাস তৌবগী খুদোংচাদবা ময়াম অমসু মায়োক্লরিবনি। ইন্টরনেটকী ৱা তোকথোক্লগা, মহৈশঙশিংদা শক্ক-শক্কা উনদুনা, ওজাশিংনা লাইরিক তাকপীবদা ফাওবা লন্নাই ট্যুসন য়াওদ্রবদি মণিপুরগী মহৈরোয়শিং কয়ামরুম এগজাম থাবা ঙম্নদ্রিবনি। য়ূমদা চথবা ওইবনিনা ইন্টরনেটতা ক্লাস য়াওরিবৈদা তঙাইফদনা নাম্থোক্তুনা চত্তবা য়াদবা তাঞ্জা কয়ামুকসু লাক্লম্বা য়াই। ইলেক্ত্রিক্কী খুদোংচাদবা নৎত্রগা ইন্টরনেটকী খুদোংচাদবা কয়ামরুম অমসু শোয়দনমক্কী থোক্লমগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ফীভমশিংসিদা মোবাইল ফোন্দা, ওনলাইন্দা ওজাশিংনা লৌবা ক্লাসশিং য়াওরগা খক্তমক, মণিপুরগী মহৈরোয়শিং অয়াম্বনা পারাশিংদু নিংথিনা ৱাখল তাবা ঙম্লমদুনা, চহীগী ওইবা ফাইনেল এগজামশিংদা মপূং ফানা শরুক য়াবা ঙম্লম্লগনি হায়বসি থাজবা ৱাৎলি। কোরোনানা মরম ওইরগা ইন্টরনেটতা ওনলাইন ক্লাস তৌবগী থৌদৌ মণিপুরগী ওইনা শুপ্নগী হন্দক্কীসিনা অহানবনি। অহানবা ওইবনা, থৌদৌসিগী মরমদা অফ-ফত্ত পূম্নমক্কী মহয়শিং ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না খঙন-উনবা অমত্তা নৎত্রি। থৌদৌশিংসিনা পীরকপা মহয়শিংদু ঐখোয় অমুক পাম্মী-পামদে হায়রুদনা, ইশা-ইশাগী লাইবক্তা তম্লম্লবনি খন্দুনা তুমিন্না লৌবা তাবনি।

মালেম পুম্বগী ওইনা শন্দোক্লক্লিবা লায়ন-লাইচৎ, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা, ঐখোয় খুদিংমক্লা ইশা-ইশানা পাঙথোকচগদবা ইশাগী নোর্মেল দ্যুটিশিং অমত্তসু মপূং ফানা পাঙথোক্লবা ঙম্নদ্রে। থৌদৌসি ঐখোয় ইশা-ইশানা খঙনরবশিং ঙাক্তনি। ফীভমসিদা মণিপুরদা স্কুল, কোলেজশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ফাইনেল এগজামশিং তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদে হায়রবনিনা, এগজামশিংসি কদায় ফাওবা য়ৌনা মওং-মরীল তানা অমসুং ষ্টেন্দর্দ লৈনা পাঙথোক্কদৌরিবনো অমদি মহৈরোয়শিংনা মশা-মশাগী ক্লাসকী সিলেবসশিং কদায়-কদায় ফাওবা য়ৌনা তম্নরবনো হায়বনচিংবসি মীয়াম্না খঙনীংবা পোক্নরকপগুম তৌরি। থৌদৌসি মহৌশানি অমসুং হৌনশানি হায়নীংই। লন্নাই-লন্নাইগী ইচা-ইশুশিংগী ৱাফম খক্তা নত্তনা, মণিপুরগী ওইনা হীরমসিদা মীয়াম্না চিংনবা নৎত্রগা চমম্নবনচিংবশিং পোক্লবা লৈব্রা নৎত্রগা চুম্না খঙনীংবগী ৱাফমশিং খক্তরা হায়বনচিংবসি পব্লিক দোমেন্দা পুথোক্তুনা নৈনথোকপা চুমগনি। ৱাফম খরসি খক্তনি মপূং ওইনা ৱারেংসিদা ফোঙদোক্লিংলিবসি। হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরদা, তৌনীং-তৌনীংবদা তৌনবা, ইশা ঙাকথোকহৌনবা হোৎনরগতা লোইরে খন্নবা, সোসাইটিসিগী অচৌবা মচৎ অমা অতেনবা মতমসিগী মনুংদা অহোংবা ওইনা য়াম্না চাউনা লাকপা উই। চৎনবীসি অয়াম্বনা মতিং লৈবা (শক্তি পায়বা) লৈবাকসিগী অৱাংবা থাক্কী পোফম পায়বা কাঙবুশিংসিতনা হৌদোক্লকপা ঙাক্তা ওই। অহোংবশিংসি লাকপনা ইরমদমসিদা নৌনা থৌদৌ অমত্তং থোক্লকপদা থাজবা পোকহন্দ্রে। মখোয় মতোম-মতোমতগী ফনবা খক্তা য়েংলগা হৌদোক্লকপনা অয়াম্বনি। তৌবদি খূৎথীনবা খরা য়াওনরকপদগী নোলেজশিংসি লৈনরকপনি। নুংশিৎ শিত্তনবু উনা লেংবা হৌনব্রা? ইরমদমসি, পিকচবদনি নুংশিত্তি মপাল্লোমগী নুংশিৎ ফন-ফজনা হুমজিল্লক্লে। অশাবা লমদা হৌগদবা ক্কা, য়ুবী পাম্বীসু সনা-লৈবাকসিদা কয়াদা নিংথিনা হৌরবা, হৌবদা নত্তনা মপূং ফানা মহৈ পানশিল্লক্লে। মায়কৈ অমরোমদনা, খ্বাইদগী হেন্না ঈংবা মফমশিংগী শেম পাম্বীদুসু মণিপুরদা মপূং য়াম্না ফানা হৌনরে, মাসু হৌবা ঙম্বদা নত্তনা মপূং ফানা পাল্লক্লবনি।

লমদমসিদা রেল গাড়ী চঙলকপা য়ারনি, সিচুএসনশিং শুজিল্লক্লে। পোকেট মার তৌবদগীনা মখোঙ মরি পানবা গাড়ী মার তৌবা ফাওবা লৈরে, ফোয়বা, মুনবা, হাৎপা-তূপ্পা লোইনা শুরে। সিননি, লমদমসিদা অহোংবা অমত্তা লাকপা, থবক পাঙথোকপা উবদা অফবা ওইরমগনি হায়বা শুংথা থাজবা ঙম্নরকত্রিবসি।

লাইরিক হৈতবা অঙাংশিংবু মার্ক য়াম্না হাপচিল্লগা মরী লৈনবশিং চোপ্তনবা পাস তৌহনগদৌরিব্রা নৎত্রগা লমদমসিদা মহৈরোয়শিংগা চহী চূপ্পা শম্নরক্তবা কুইরবদুদা, থাগী খূৎশুমলশিং শোয়দনবা মরী লৈনবশিংনা শিল্লকপা থৌওংশিং ওইরিব্রা? মতমসিনা অফবা তৌবা হায়বদুদি ইয়াও-য়াওশিল্লক্তবসিদা হীরম খুদিংমক্তা থাজবা মাঙশিল্লক্লে। ইচা-ইশুশিং ইন্টরনেটতা ক্লাস য়াওহল্লগা ফাইনেল এগজাম থাহনগদৌরিবসি মায় পাক্লক্কদৌরিবরা নৎত্রগা খুগদৌরিবরা নৎত্রগনা মায়দি পাকহল্লগা লাইরিক্লা অমত্তা হৈরম্লোইদৌরিব্রা? হৌজিক্কী ক্লাসকী লাইরিক্তু হৈরমদ্রবদি মথংগী ক্লাসকী লাইরিক তম্বদদি নুংঙাইরনি, হায়বা অমত্তা ঙমশিল্লক্তরে। লাইনা তম্বা হায়দুদা তাদৌরমাল্লে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।